# ‘চনৈনবা লৈঙাক্লা ওইহল্লকপা পূন্সি মহিং’

ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

উশম ধরমেন্দ্র

নুংঙাইনা তূমখুল তাল্লিঙৈদা য়াম্না ৱাবা থৌদোক অমা থেংনবা ৱারবনা হেনমনখিদুনা ঐবু হিংখিগদরা, শিগদৌরমালে হায়দুনা থৱায় ৱাবা মদুদগী মিৎকপ খংথোক থোরকপদা হৌজিক্কীদু মঙনিকো অস! মিৎকপ থোক্লে ফরেদা হায়দুনা চনীং তানা শ্বর হোঞ্জবা, হৌজিক্কী মঙদু ৱাইদা অমুক হন্না থোক্তবা, মঙদবা ওইসনু হায়দুনা ইথন্তা শোঞ্জবা অদুগুম্বা মঙদুগী মঙফাওনদ্রিবা অৱাবা তাঙ্কক অদুদনি মণিপুরগী মীতৈশিংনা হিংলিবা পূন্সি মহিং অসি। চনৈনবা লৈঙাক্লা ওইহল্লকপা মীতৈ মীচম মীয়াম্না ফংলিবা অৱা চৈথেং অসিনা পেন্দবগী খোল্লাও কয়া লেপ্তুনা লাউরক্লি। অদুবু লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবা লৈঙাকপশিংনা মীতৈ মীচম মীয়াম্না লাউরিবা পেন্দবগী খোল্লাও অসি তানা-তানা তাশিন্নদ্রি। লৈঙাকপশিংনা করি ৱাখল খল্লিবা। অসুক তমথীনা মীচম মীয়ামদা নার্কো কুকি-জৌ টেররিষ্টশিংনা ফংহল্লক্লিবা অৱা চৈথেংশিং, য়ূম-কৈ পূম্নমক মৈ থাদুনা মাঙহনবীখিবা, লন-থুম লুট তৌবীখিবা, অমুক্তসু অসুম্না ওইরক্কনি খল্লুদবা অৱাবা ঙমখৈ লৈতনা ৱাবা অসিবু মীতৈশিংদা নংহল্লিবা, মসি পূম্নমকসিবু থোকহল্লিবা হুরানবা কুকি-জৌ ফূরুপকী লমহেনবা শাগী লীচৎ চৎপশিংসিবু করিগী লৈঙাক্লা লাকশিনবা ঙমদ্রিবা।

মখোয়গী ৱাহৈদদি হায়বদাই ‘দবল ইঞ্জিন গভর্ণমেন্ট’ কাইনা। অতৈ লৈবাক্কী পায়খৎলকপা স্কিম কয়াগী মমিংদি য়ারিবমখৈ সংস্কৃৎ লোল শীজিন্নবনি। দবল ইঞ্জিন, ষ্টেটসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক, সেন্টরসু বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক দবল ইঞ্জিন্না মায়কৈ তোঙান-তোঙান্না চীংবদা মণিপুর লৈবাক্তি তঙ্খাই তানা শেগাইবগী ফীভমদা লৈরে। মরম শুংলৈ লৈতনা মীতৈ মীচম মীয়ামদা লান্দাদুনা খুন্তাক-লানশিহল্লে। মীতৈশিং মশাগী হৌরকফম মণিপুরদা রিফ্যুজি ওল্লে। মীৎকপ মীরাওখোলতনা থল্লে। কনাগীনা নুংশিরবা মচা কায়নরে, কনাগীনা নুংশিরবা মপুরোইবা, কনাগীনা নুংশিরবা মবুং-মৌপ্পা কায়নরে। চীন্দবু পংহায় হায়রবা হায়বদুনি। অসুম্না কায়নখিবা ইমুং অমমমগী অৱাবা ৱারী ঙাক্তনি, তমথোকপদবু লায়রবা। লাইরমলেন পাংখ্রবা মখোয়না ইমুংদুগী লৌরম্বা থৌদাংশিং কনানসু কৈদৌনুংদা মেনখৎপা ঙম্লরোইদবনি। অদুবু লৈবাক্কীদমক্তা কথোকখিবা মশাগী মরমদমগী ঙমখৈ অপূনবগী শক্তম ঙাক্লবা হোৎনবদা থৱায় কৎখ্রবশিংদুদি পুৱারীগী লমায়দা সনাগী ময়েক্লা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগনি। থৌনা ফবা লৈবাক নীংবশিংনা মথ্বায় পাম্মুবা লৈতনা ‘ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি’ হায়দুনা য়েক্লবশিংগা লান্থেংনৈ, অয়াম্বা মশাগী ওইজবা থিবশিংনা মশাগী ওইজবা খরগীদমক্তা য়েক্লবশিংগী মখোঙ কোন্দুনা চঙজে। মীতৈশিং অয়াম্বা নত্তে। মদু পুৱারীগী লমায়দা ময়েক লানা ইদুনা লৈরি।

নার্কো-কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা পীরকপা লানগী চৈথেংশিংনা মীতৈশিংদা অৱাবা, তংদু লৈতাদবা পূন্সি অমা অদুম ওইহল্লক্লি। শাংলবা থা তরেৎ শুজিল্লক্কদৌরবা কুকি-জৌ ফূরুপনা নমদুনা থোকহনবা লান অসিনা মরম ওইদুনা হন্দক্কী কুমজা ২০২৩গী নিঙোল চাক্কৌবসু মীতৈশিংগী য়ূমথোঙশিংদা তৌখিদ্রে। নুমিৎসিদা মীতৈশিংগী য়ূমথোঙ খুদিংদা য়ূম্নাক শাগৈ হোংখ্রবী মৌগী শীংদা চনখ্রবীশিংনা মপাম লমদমদা খোঙদোইরক্তুনা মবুং-মৌপ্পা, মমা-মপাশিংগা উনজদুনা নোক-খেবগী খোঞ্জেলসু তাখিদ্রে। মদুগী মহুত্তা চরা হেন্দুনা আবা ফোঙদোক্তুনা থোক্লিবা ঈরাংসি থুনা লোইশিন্নবা, মীতৈ মীয়ামগী তংদু লৈতাবা পূন্সি মরেল অমা পুরক্লবা, ময়ূম-মকৈ মৈ থাদোকপীখিবদগী ৱানা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মখোয়গী অৱাবদা শরু য়াজরি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মীতৈ নুপী মীয়াম্না কুমসি কুমগী নিঙোল চাক্কৌবা শরুক য়ানখিদ্রে। মীতৈগী চৎনবীদা লৈখিদবগী কুমওন ফিরোই য়ৌদ্রিফাওবদি ইমুংদুগী মীওইশিংনা হরাউ কুম্মৈগী অকে-অমৌগী থৌরমদা শরুক য়ানদে। হন্দক্কী লানসিদা লৈখিদ্রবা লৈবাক্কীদমক্তা কথোকখ্রবা লৈখিদ্রবশিংদু ঐখোয়গী ইবুং-ইপ্পা, ইচাশিংনি হায়বগী ফজরবা ৱাখল্লোন্দা নিঙোল চাক্কৌবগী থৌরমসি মীতৈ ইমুংশিংনা তৌনখিদবনি। পুৱারীদা ময়েক লানা ইদুনা লৈহৌরগদবা থৌদোক্তি হন্দক্কী হিয়াঙ্গৈগী নীনি পানবা নুমিৎকী থৌদোকসিনি। তুংদা লাক্কদবা মীরোলনা করিদগী নিঙোল চাক্কৌবা, মীতৈশিংগী য়াম্না নুংশিরবা চৎনবী কুম্মৈ অসিবু কুমজা ২০২৩দা পাঙথোকখিদবনো হায়বদু নৈনজহৌরসনু। মদুনা মরম ওইরগা শৈদাংবা কুকি-জৌ হায়বা ফূরুপসি কয়ামুক হিংচা য়াইতম্বা ফূরুপনো হায়বদু খঙজদুনা মখোয়গী পূন্সিদা চেকশিঞ্জবা ওইহৌরসনু।

থবক অমা তৌথোরকপদা কোমথোকপা, চাউয়েং য়েংদুনা লৈবসি য়াদে। লৈবাক কায়বা য়াবা থবক অমা তৌথোরকপদা মতম চানা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদবনি। কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা শেমজিন-শাজিনবা হিষ্ট্রি শেমগৎলকপা,হান্না লৈজরম্বা লমগী মমিংশিং ওন্থোক্তুনা থোল্লকপা, মখোয়না মখোয়সি ইন্দিজিনস পিপলসনি হায়রকপা পূম্নমকসিদা থোইনা য়েংশিনদনা মরী লৈনবা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী লাকই। হৌজিক্তা ক্লাস এলেভেনগী হিষ্ট্রিদা কুকিশিংগী মতাংদা অরানবা হিষ্ট্রি তল্লে হায়নরক্লি। মসি কনাগী অশোয়বনো, পূম্নমক্কীনি। মফম মতম চানা য়েংশিলহৌদবগীনি। কুকি-জৌশিংনা মণিপুর থুগাইনবগী চথুরকপা থবক্তা মখোয়গী তোঙানবা লৈঙাক অমা লৈজরগনি হায়বগী ৱাফম ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই টি এল এফ) কী মায়কৈদগী লাক্লি। আই টি এল এফকী জেনরেল সেক্রেটরিনা কুকিশিংনা নম্না তারিবা মণিপুরগী তেংনৌপল, কাংপোকপী অমসুং চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তিতা মখোয়গী ওইবা লৈঙাক অমা থম্লগনি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈঙাক অসিবু সেন্টরনা শকখঙবীদ্রবসু অকায়বা অমত্তা লৈতে। কুকি ফূরুপকী মায়কৈদগীসু মণিপুরগী মীতৈ লৈঙাক অসিদগী থাজবা অমত্তা লৈত্রে হায়না ফোঙদোক্লি। আই টি এল এফকী ৱাফমসি মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদগী য়ানীংদবা মিনিষ্টর টি ঐচ বসন্তকুমারনা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখি। ৱাফমসি লোনা য়াবা নৎত্রগা কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোনশিংনা য়াবা ৱাফম নত্তে হায়খি। আই টি এলএফনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমশিং অসিগী মায়োক্তা চপ চাবা লোগী ওইবা থবকশিং ইন্দিজিনস ত্রাইবেল লিদরস ফোরম অমসুং ৱাফম অসি ফোঙদোক্লিবা মীওইগী মথক্তা লৌখৎলগনি হায়খি। তশেংনা হায়রবদা কুকি-জৌ ফূরুপকী মীওইশিংনা মণিপুর লৈঙাক অসি করিসু লৈতনা ফোঙনা শীংনরে। লৈবাক্কী আইন থুগাইরিবা মীওইশিং অসিগী মথক্তা অথুবা মতমগী মনুংদা এক্সন লৌখৎফম থোকই। লৈবাক অসি ‘রুল ওফ লো’ লৈরিবা লৈবাক্নি হায়বদু খঙহনফম থোকই। মখোয়না তৌবা আইনবু শীংনবা খুদিংমক মফম মতম চানা থবক লৌখৎহৌদবদগী ওইরক্লিবা ফীভম ঙাক্তনি লমদমসিদা ওইরক্লিবশিংসি। মথোং হুক্তবা মচিন থীবগী থবক ঙাক্তনি মখোয়না তৌথোরক্লিবসি। য়েলহৌ ফূরুপসু নত্তনা ‘ইন্দিজিনস’ হায়বা ৱাহৈগসু শীজিন্নরি। মকোক্তগী হৌনা হুরানবগী থবকসি অদুম তৌরে তাকপনি। কুকি-জৌ হায়রিবা হুরানবা ফূরুপসিনা মীতৈশিংগী লৈজবা পূম্বা হুরান্দুনা মখোয়গী ওইহৌনবা চথুরক্লিবা লাননি। মসি খঙনা মণিপুর লৈঙাক্লা থবক পায়খৎপা তাই।

শাউনীংবদি লায়রদনা খ্বাইদগী ঙক্লিবদি থা ৭ শুজিল্লক্কদৌরবা কুকি-জৌ হুরানবশিংনা মীতৈদা লান্দারক্তুনা অৱা চৈথেং নংহল্লিবা অসিদা মখোয়না দবল ইঞ্জিননি হায়জরিবা কাঙবুসিগী প্রাইম মিনিষ্টর, পূম্নমক্কী মকোক ‘নিংথৌরেল’ হায়রবসু য়ারবা ‘বাদশাহ’ হায়রবসু য়ারবা নরেন্দ্র মোদিনা লানসিগী মতাংদা করিগুম্বা অমত্তসু হায়দবা, কম্মেন্ট পীদবা অদুগা ইঞ্জিন মচাগী হায়গদরা মণিপুর ষ্টেটকী বি জে পিগী মীহুৎ অমত্তসু উনদনা ‘সে-মাই’ তান্নদবা মসিমুক ঙকপা লৈত্রে। সুম খঞ্জিল্লুরবদি মণিপুরগী থৌদোকসিদি করিসু খঞ্জিল্লুদবজাৎনিদা। ইন্দিয়াগী অচৌবা নৎত্রগা মখোয়না মরু ওইবা ষ্টেটনি খঞ্জবশিংদুগীদি থৌদোক অমত্তং থোকপা য়াদে বস এক্সিদেন্ট ওইগেরা, রেল এক্সিদেন্ট ওইগেরা প্রাইম মিনিষ্টরনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রগা শেলগী তেংবাঙ পীখ্রগা ন্যুজ চেনেলশিংদা ‘নুংশিৎ-নুংশামুক’ কুংই হায়বদুনি। অসুক হন্থনা মণিপুরবু মখোয়না য়েংই হায়বসিদি মখোয়না লীশাং শিৎনা তৌথোরকইবা থবক থৌওংশিংসিনা তাক্লি। মতাং শ্বাইসিদা ঐখোয়গী লুচিংবশিংনা অমুক্তোইবা সেন্টরগী লুচিংবশিংসিদা নোঞ্জরিবদি অরোইবনি জি-জি হায়দুনা।

লোইশিল্লকপদা অপূনবা মণিপুর অমগী শক্তম কায়দনবা হোৎনজদুনতা লাকখিবা মীতৈ মীচম মীয়াম ঙসিদি ৱারে নার্কো কুকি-জৌশিংনা লান্দারকপদগী। মণিপুর ষ্টেট লৈঙাক্লা নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংসিবু লাকশিনবা ঙমদ্রে। মখোয়না লান্দানীংবা মতমদা, লান্দানীংবা মফমদা অদুমক লান্দারি। মণিপুরদা থোমজিল্লকখিবা সেন্ট্রেল পেরামিলিটরি ফোর্সশিং অদুমক কুম্মৈ য়েংদুনা লৈরি। থবক মঙম ইশান শান্দে। ওইহন্নীংবগা তৌথোরকপগা তাইওন্নে। ময়ূম মকৈ মৈ থাদোকপীখ্রবা কয়াগী অৱাবা য়েংবদা থম্মোয় কায়নরি। মশাগী মরমদম ময়ূম লমদমদা হঞ্জিন্দুনা লৈনবগী ঙাকপী শেনবীবগী থবক ষ্টেট লৈঙাক্লা মতিং লৈনা পায়খৎলকপা উদ্রি। অৱাবনি। অসুম্না কয়াম কুইনা লৈখিগনি। নার্কো কুকি-জৌ মিলিটেন্টশিংনা ফাবীখ্রগা হাৎতোকপীখ্রেদি খঙলবা মশাদি ফংবা ঙমখিদ্রবা কয়াগী ইমুংশিংগী অৱা তেংথাখোল, শূফম-নোম্ফম খঙদ্রবা লাঞ্জেন্নরকপশিংগী মঙাল য়াওদ্রবা শক্তমশিং, মণিপুরগী অপূনবা শক্তম কায়খিগদরা হায়বগী মীয়ামদা ফাওরিবা লাংতক্লবশিং পূম্নমকসিনা লমদমসিগী শক্তম ওইরে। চনৈনবা লৈঙাক্লা ওইহল্লকপা তংদু লৈতাদবা পূন্সি মহিংদা ঐখোয় কয়াম কুইনা লৈখিগনি ? ৱাহংসিনি হংলিবা। ●

# লান মনুংগী ৱারীনি, ঈং-তপ্পগী পাউজেলনি

- রানাপ্রতাপ য়ূম্নাম -

মে ৩, ২০২৩দগী ঙসি ফাওবা লমহেন-তুহেনবা কুকিশিংনা চথুরক্লিবা লান অসি থা তরেৎ হেঞ্জিল্লক্লে। মণিপুর হায়বা লমদম অসিদা তংদু লৈতাদনা লৈরকপা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরিবা নুপা-নুপী, অঙাং কয়া মশা-মশাগী য়ূম অদু অমুক হন্না উবা ফংলরোইদৌবা লন-থুম, ময়ূম-ইঙ্খোল পূম্নমক উফুল শানা থুগাইবীখ্রবা কয়াগী তেংথাখোল কয়া, নৌরিবা অঙাং কয়া মনীং তম্না চেন-চোংদুনা শান্নজগদৌবা কয়া, য়ূমলোন কৈরোন্নদুনা অৱাৎ-অপা, লৈত-লায়র হংদোক-হংজিন তৌদুনা ফূরুপ অমদি লাইনীংগী খেন্নবা থমদনা হিংমিন্নরম্বা কয়াদুগী মতম অদু অমুক হন্না লাকপা অদুনি ঙাইরিবসি। কনানা কনানো, হিন্দু-খৃষ্টিয়ান পূম্নমক চাক চায়, ফি শেৎলি, মীয়াম পূন্দুনা থবক-থৌরম কয়া পাঙথোকমিন্নে। অপূনবা লৈবাক অমা ওইবগী মচু অহুমগী ফিরালগী মখাদা নীংতম্বা নুমিৎ, রিপব্লিক ওইবা নুমিৎকী থৌরম কয়া পাঙথোক্লিবা ইন্দিয়াগুম্বা মীওই ক্রোর ১৪০ লৈরবা লৈবাক অসিদা ষ্টেট ২৮ নেসনল কেপিটেল দেল্লী য়াওনা য়ুনিয়ন টেরিটরি ৯নি। পীকপা চাউবা তোঙাল্লগা লৈবাক ৩৭নি। মসিনা পূনবা ইন্দিয়ানি। মসিদা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক অনীমক্লা নুমিৎ ১৮০ হেন্না তংদু লৈতাদবা, মীহাৎ-মীপূন, মীওৎ-মীনৈ, নুপী-অঙাং, শা-ষণ খাক্তনা থৱায়তবু হিংলবদি হায়দুনা লাঞ্জেন্নদুনা রিলিফ কেম্পতা লৈনরি।

অসুম্না মীতৈ অমসুং কুকিশিংনা ৱানা-ৱানা খাঙবা কয়া ঐখোয় পূম্নমক্লা উরিবনি, তারিবনি। অসুক চাউবা ইন্দিয়াগী সিটিজন লিশীং ৫০/৬০না তূম্ফম-চাফম খঙদনা থা ৭ হেলহনবা হায়বসি মালেমগী মীয়াম মমাঙদা ইকায়নীংঙাইনি। নীংতম্লবা ইন্দিয়াদা কুমজা ১৯৬২দা চাইনানা তারকপা লান ঙাকথোকখি, কুমজা ১৯৬৫দা পাকিস্থান্না লান্দারকপা অদুমক ঙাকথোক্লগা মতম অদুদা মীচম মীয়াম ঙসি মণিপুরদা মায়োক্নরিবা অসিগুম্না থোকখিদবরা খল্লি। মীওই লিশীং ৫০/৬০না রিলিফ কেম্পতা নুমিৎ কয়া লৈশিল্লকপনা মীওই কয়া পূক্নিং লৈতানা লৈবা ফংদবা, মীওই কয়াগী শূফম-নোম্ফম লৈতবা, শেল য়াওদনা হিংবা য়াদে, মহৈ মশীন হৈতনা চাওখৎপা খুন্নাই অমা লিংবা ওইথোক্তে হায়বসি পূম্নমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। মহৈরোয় কয়া মনীং তম্না লাইরিক লাইশু তম্বা ফংদ্রে। নুপা-নুপী কয়ানা অকি-তুজুং য়াওদনা থবক শূফম চাফম খঙদনা লৈরগা করম্না খুন্নাই অসিনা মাঙলোমদা খোঙ থাংজিনবা ঙমগদৌরিবনো?

কুকিনা অশিবা খুদিংমক মীতৈনা হাৎপনি, য়ূম মৈ থাবা মীতৈনা তৌবনি, মীতৈনা লানবনি, মীতৈনা লান কায়হৌবনি হায়দুনা মালেমগী মীয়ামদা শন্দোক্লিবসিদা কনানা লাল্লি-চুম্মী হায়বগী মরী মখোঙ থিদোকপা ঙমদবা ঐখোয়গী লৈবাক অসিগী মরী লৈনবা কয়ানা ঙসি ফাওবা তূমিন্না লৈশিল্লি। পোপি পাম্বী থাদুনা চাথোক অমুক্তা লুপা ক্রোর ৭০/৮০ তাল্লি হায়রিবদু মালেমগী মীয়াম্বু মাঙহন তাকহনবা নৎত্রা। মদুনা মশা-মউ ফবা, তিঞ্জং কায়জংদবা, মবুধি মরৌশিং লৈবা মীওই পুথোক্লবদি ওইরল্লোই। মসিদি মণিপুর লৈঙাক্কী লুচিংলিবা বিরেন খক্তদা ইন্থোকফম থোক্তে, মালেমগী লৈবাক পূম্নমক্লা মীৎয়েং চঙফম থোকপরা হায়না থমজনীংই।

ময়াই কাবা চীঞ্জাক্তা লাইচুরবা ইমুংদা লন-থুম, পূন্সি কয়া মাঙ-তাকপা ঐখোয় পূম্নমক্লা মাঙদা তারিবা, উরিবা ঙাক্তনি। চিন-কুকিশিংগী খুজিল থৌরাংনা মণিপুরদা উমং য়োকখৎপদা য়ৈখাই থিনগাইবা, খা নোংচুপকী চীংশাং কয়াদা পোপী পাম্বী থাবা থিংবদা নার্কো টেররিজমগী গেঙ খূৎপু শেমদুনা অফবা মখলগী খূৎশু-খূৎলায় কয়া শীজিন্নদুনা লৈঙাক্তা অমসুং মীতৈ খুন্নাইদা ওৎ-নৈবা, চৎহৈদবা লমচৎ, তৌহৈদবা থৌদোক কয়া তৌরি। চিন-কুকি-জৌশিংনা মীতৈ খুন্নাইদা অতম্নবা খূৎ থারিবগী মরম করিনো, দেমোক্রেসি চৎপা ইন্দিয়াদা কন্সটিট্যুসনন্না পীরিবা ঙমখৈগী মনুংদা হায়নীংবা, ৱাকৎনীংবা অপাম্বা তানবীয়ু মদুদি নত্তনা মীতৈ হাৎতবা য়াদে হায়রবদি মীওইবা খুন্নাইগী লমচৎ নত্তে। কুকিশিংগী মরক্তা ইন্দিয়ন এদমিনিষ্ট্রেটিভ সর্ভিস ফংবা কয়া লৈরে অদুগা ইন্দিয়ন পুলিস সর্ভিস ফংবা কয়া অমসু লৈরবনি। মখোয়গী কাঙলূপ-ফূরুপনা মীওৎ মীনৈ, য়ৈখাই-থুগাইবা কয়া চথুরিবা অসিদা করিগী য়েংদুনা লৈরিবনো। ফত্তে, চুমদে তৌনু হায়দুনা খাম্বা তৌদনা কুম্মৈ য়েংদুনা লৈবদি মীওইবা খুন্নাইগী লমচৎ নত্তে। ঐখোয় মীওইবগী থম্মোয়দি থম্মোয়খক্তনা পুনগদবনি। এ কে সেরিজনা রফেল জেৎনা কৈদৌঙৈদসু পুনশিনবা ঙল্লোই হায়বা সিমদি মীওইবগী ঈং-তপ্পা পাম্বী মীপূম খুদিংগী থম্মোয়দা শোয়দনা ফাওরমগনি।

ওক্টোবর ৯, ২০২৩, লাংবন থাগী ২৫নি পানবা মীতৈশিংনা লাইওইখ্রবা অহল-লমনশিংগী তর্পন কৎনবা মতমনি। লাংবন থাসিদা লাইওইখ্রবশিংগী থায়না লমখুনু ওইদুনা য়ূমগী শঙ্গোয়গী য়াংলেন্দা তোংদুনা কু-কু হায়না থোৎনা মেংলবা খোঞ্জেলদা খোংলকপদু লাইওইখ্রবা অহল লমনগী থৱায়না লাক্লগা খোংলবনি হায়বগী থাজবসু লৈবা মণিপুরগী মীতৈ খুন্নাইগী মচৎ ওইদুনা চহী খুদিং অঙম-অঙম্বা চেঙ-থোইদিং, উহৈ-ৱাহৈ কয়া কৎপগী চৎনবী লৈবা মীতৈনি। নুমিৎ অদুদা থোঙ্গালদা হৌবা মঙ্গে মখোঙদা চৌক্রি থাদুনা ফল্লগা লৈরিঙৈদা নিম পাম্বীদা লমখুনু অমা লাক্লগা মমায় মনীং ওন্দুনা কু-কু হায়না মেংনা থোৎনা খোংলকই। নুংশিদা অদুঙৈগী শৈশকপশিংগী শক্লম্বা ঈশৈশিং মথং-মথং নীংশিংলকই। ঐসু খুনুদুনা খোংলিবা অদু তানা-তানা লৈবাক অসিগী নে-না তাদ্রবা, তংদু লৈতাবা ফংদ্রবা লোংউপ্পা উপ্পবা মীতৈ ওইরেকো খন্না-খন্না খা-ৱাং, নোংপোক-নোংচুপ করিনো মণিপুর মতম শাংনা কুমজা ২০১৭ ফাওবা চহী ১০/২০ পুল্লম্বা মরুপ দোংশৈ অমসুং কৈলালদা টেলিফোন তৌই। অহানবদা দোংশৈ পায়রকই। কমদৌরি নখোয়বু নুংঙাইরিব্রা হংলুবদা ওজা প্রতাপ মতম কুইরবগী তুংদা নঙগী খোঞ্জেল তাবা ফংবসিদি কপ্প্লু কপনীংই। থা কয়া অসি মীতৈলোল ঙাঙবনা টেলিফোন তৌরকপসি তাবদা থম্মোয় অসি য়াম্না নুংশি। হংই কৈলাল কমদৌরি, মাংতিনথাংনা করম তৌরি মখোয় পূম্নমক মোটবুংদা লৈবা ঙাক্তনি। দোঙকুপাউসু লৈরিবরা হংই। ঙসিদগী চহী ৫৬কী মমাঙদা মোটবুং হায় স্কুলগী হেদ মাষ্টর ওইরম্বদগী প্রসিদেন্সি কোলেজগী প্রিন্সিপাল ফাওবা ওইখিবা ওজা হেনখোলিন শিলহৌ অমসুং শৈখোলম শিলহৌ মচিল মনাওসু কুমজা ১৯৬৭তা মতমদুগী দি এম কোলেজগী য়ুথ হোষ্টেলদা উনদুনা শকখঙ মায়খঙনবদা নত্তনা মরুপ মপাং ওইনা তিন্নখ্রবনি। ঙসিদি মখোয় অনীমক লৈখিদ্রে। অসুম্না দোংশৈগা মিনট ১০/২০ ৱারী শাই। ওজা প্রতাপ কৈদৌঙৈ ঈং-তপ্পা পুরক্কনি, তৌরিবসিবু করিনো হায়না হংলকখি। দোংশৈ মসিদি মীনা মীগী থম্মোয় মশক খঙনরগা নুংশিবা, ঈং-তপ্পগী মরীনা পুনশিল্লগা নে-না তাবা লমদম ওইগদৌরিবনি। নোংমৈনা, বোম্নবু ঈং-তপ্পা পুরক্কনি হায়রবদি চাইনা-ইন্দিয়া, ইন্দিয়া-পাকিস্থানদা পৈশিন্নরিবা খূৎলায় কয়ানা ঈং-তপ্পা পুরকপা ঙমদ্রিবসিনি হায়। অসুম্না দোংশৈ, কৈলালগা ৱারী শাদুনা থোঙ্গালগী মঙ্গে মখোঙদা ফমদুনা নিম পাম্বীদা তোংলিবা মপুগী য়াথং পুদুনা লাক্লিবা লম খুনুনা কু-কু খোংলম্লগা পাইখিবদু মীতৈ কুকিগী লানদা শিঙমদনা শিখ্রবা, মীওৎ থীনা ওৎপী নৈবীরগা থৱায়গা হকচাংগা কায়নখ্রবা কনাগী থৱায়নো খন্না খন্না অমুক কৈলালদা মখা তাখি।

কৈলাল লান অসি নোংমৈনা, বোম্না ৱারোইশিন পুরকপা ঙল্লোই। কাঙলূপ অনীমক্কী অহল-লমন চহী ৭০/৮০গী শাংলবা মতমদগী তিন্নরকপা লোন্দিন্নরকপা খুদিংমক্লা ইচাশা-ইনাওশা নখোয় ফত্তবা ৱাখল থাদোকউ, মীনা মীগী লমচৎ চৎলু, মী ঐখোয়দি মীরক্তা হিংমিন্নগদবনি হায়দুনা নাকল অনীমক খামজিন্নবগী তঙাইফদবা অদুখক্কী মতম ওইরে। মীহাৎ মীপূন, য়ৈখাই থিনগাইবা, মাঙহন-তাকহনবা অদুদি মমৈথংদা করিসু থেংনরোই উৎ, তাঙ্গোই, উফুল, মীগী শরূ-শরাং, লমদম অসি মীকপ-মীরাওখোল, ভুট প্রেটকী মফম ওইদুনা লৈহৌরগা মালেমগী নোক্নফম ওইদুনা লৈহৌগনি। মসি ওইদনবা সিনিয়র সিটিজন নাকল অনীমক্লা ৱারোইশিন পুরক্তুনা ঈং-তপ্পবা ওইনা হোৎনবনা য়াইফবা ওইগনি। ●

# চাদা ৩৩গী বিল পাস তৌরকপা ‘নুপী মরুপ অমসুং নুপী মীয়ামগী হোৎনজমন মায় পাকপনি’ -(১)

- থিংবাইজম নিঙোল মাইস্নাম ওংবী শখি -

**ৱাহৌদোক :** খুন্নাইসিদা নুপীশিংবু নমথবীরিবা, হন্থনা লৌবীরিবা অমদি অওৎ-অনৈ কয়া চথুবীরিবা অসিদগী ঙাকথোকচবা-কঞ্জবা ঙম্নবা নুপীগী নেসনল থাক্কী লূপ এন এফ আই দব্লিয়ু (নেসনল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ৱিমেন) গী লমজিং মখাদা কুমজা ১৯৯৬কী সেপ্টেম্বর ১২দগী হৌনা নুপীগীদমক চাদা ৩৩ পার্লিয়ামেন্ট অমসুং এসেমব্লিদা সিট খাক্তুনা থম্নবা ঈহৌ কয়া চথদুনা হনবা নাইদনা ঙসি ফাওবা থেংনরকপনা ঙসিদি অদুগুম্বা পুৱারী অদু চহী কুমজা ২৭ শুরক্লে। শাংলবা ষ্ট্রগলগী পেরিওট অসিদা ইন্দিয়া লৈঙাকসু মমীৎ পাঙথোক্তবা নত্তে, মহাক্লা উখিবা তৌদবা য়াদ্রবা থৌরাং খরা পায়খৎলকখি। পঞ্চায়েট অমসুং ম্যুনিসিপালিটিদা চাদা ৩৩ চৎনখ্রে। অদুগা লান্থেংনরকপা অদুগী ফলনা লৈবাকসিগী খ্বাইদগী চাউবা ফম ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট অহানবা ওইনা কুমজা ২০০৭তা প্রতিভা দেবী সিং পতিল হাপখি। পার্লিয়ামেন্টকী স্পিকর ওইনসু মৈরা কুমারিনচিংবা মথং-মথং নুপীশিংবু অৱাংবা ফমথোল অসি পুহল্লক্লি। ঙসিসু ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ওইরি। মসি মতোমতা ওইজরকখিবা নত্তে, ঐখোয়গী ষ্ট্রগল অদুগী ফলননি। নেসনল ফেদরেসন অসিগী মসা অমা ওরিবা ষ্টেট অসিগী খ্বাইদগী লীরবা নুপীগী লূপ ওল মণিপুর নুপী মরুপ্পা চাদা ৩৩গীদমক লান্থেংনরকপগী পুৱারীসু অদু মঙাই ঐখোয়গী লুচিংবশিং অমদি মেম্বর চা কয়ানা রিজার্ভেসনগীদমক থৌদাং য়াদুনা লাকই। মণিপুরখক্তা নত্তনা থাপ্লবা দেল্লীগী পার্লিয়ামেন্টকী থোঙজিন্দা অন্দলোন চঙশিনবদা কয়ারক হন্না শরুক য়াদুনা লাকই। পূম্নমক অসি পুৱারীগী তাঙ্কক-তাঙ্ককশিং ঙসিগী ঐগী পেপর (চে) অসিনা নৈনজরি। খঙই, হৈ হায়দুনা পেপর অসি ইজবা নত্তে ঐ ইশানা নুপী মরুপকী ওফিস বিয়রর ওইনা কুমজা ১৯৮০দগী ফম পুজরকপা অমসুং কুমজা ১৯৮৪দগী ঙসি ফাওবা এন এফ আই দব্লিয়ুগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমা ওইনা ফম পুজরকপদা থেংজনরকপা খরদু থমজবনি।

**চাদা ৩৩গী ঈহৌ চঙশিল্লকপা :** মণিপুরদা নুপীশিংনা লৈবাক্কী ৱাথোক কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লি। থেঙ্খাং কয়াগী নুপীলালনা খুদম চাংদমনি। নুপী মরুপকী হান্নগী লূপ মণিপুর মহিলা সম্মেলননিনা কুমজা ১৯৬৭তা ‘নুপীগী মীহুৎ থমগদবনি’ হায়না ৱারেপ লৌদুনা খোঙজং কয়া চথখি। বিজ্ঞানিক ওইবা সমাজবাদ (সোসিএলিজম) লাকপা ঙমদ্রিফাওবদি নুপীবু লৈঙাক সাসন্দা য়াওহনবা নৎত্রবদি মখোয়বু নীংতমহনবা ঙমখিরোই হায়বদু নুপী মরুপনসু খঙনা খোঙজংশিং অসি চথখিবনি। ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স কনফরেন্সশিং মথং-মথং পাঙথোক্লকপদা ঐখোয়না থেংনখিবসি হেন্না মপাঙ্গল হাপ্লকখি, ষ্ট্রগল অদুগী ফলনা কুমজা ১৯৯৩দা খাঙবা য়াদ্রদুনা ম্যুনিসিপাল, নগর পঞ্চায়েট, জিলা পরিষদ অমসুং পঞ্চায়েটতা চাদা ৩৩ রিজার্ভেসন পীরে হায়না লাউথোকখি।

রিজার্ভেসন অদু ৭৩শুবা, ৭৪শুবা এমেন্দমেন্ট এক্ট ১৯৯৩নি। কুমজা ১৯৯৬তা ইন্দিয়াগী মতমদুগী প্রাইম মিনিষ্টরদা এন এফ আই দব্লিয়ুনা শিল্লগা ইন্দিয়াগী কাচিন কোয়াদগী চাদা ৩৩গী দাবী য়াওবা পোষ্ট কার্দ লিশীং কয়া থাজিনখি। নুপী লিশীং কয়াগী ঈগী খূৎয়েক পীখি। খোঙজং অদু ওল মণিপুর নুপী মরুপকী মেম্বরশিংসু য়াওখি। মফম কয়াদা রেল্লি, দেমোন্সত্রেসন লেপ্পা লৈতনা চথখি। মদুগী ফলনা কুমজা ১৯৯৬কী সেপ্টেম্বর ১২দা মতম অদুগী ঐচ দি দেবেগৌরানা লুচিংবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টতা ইহান হানবা ওইনা অটল বিহারি বাজপায়না প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিঙৈ মতম হৌখিবা কুমজা ১৯৯৮ অমসুং ১৯৯৯দসু পুথোকখি। মদুদসু পাস তৌবদি লৈখিদে। য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট লৈঙাক্কী মতমদা পার্লিয়ামেন্টরি দ্রাফটিং কম্মিটি অমা শেমখি।

কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন এন এফ আই দব্লিয়ুগীসু লুচিংবী এম পি শ্রীমতি গীতা মুখর্জিনা ওইখি। মতমদুগী এম পি গীতা মুখর্জি কম্মিটি অদুনা ৮১শুবা এমেন্দমেন্ট পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখি অমসুং মাগী রিফোর্মেসন অদুবু চথুরিবা গভর্ণমেন্ট অদুনা পাস তৌবগী শক্তি লৈরমদে। পোলিটিকেল পার্টি অয়াম্বনা মশা-মশাগী ইলেক্সন মেনিফেষ্টোদা হাপ্লগা অততাই ওইনা থেংনখিবদি লেফ্‌ট পার্টি খক্তনি। পার্টি খরদি রিজার্ভেসনগী মনুংদা ও বি সী, এস টি অমসুং এস সী রিজার্ভেসন অমুক থমগদবনি হায়দুনা অততাই ওইনা কন্না য়েত্তুনা লৈখিবা পার্টিশিং অদুদি আর জে দি, বি এস পি, সমাজবাদি পার্টিনচিংবনি। কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী এম পি কয়া অমসু অয়েৎপা পীরমই। আর এস এস, মুসলিম অমসুং নাগালেন্দনচিংবগী এম পিশিংসু য়েৎতুনা লাক্লি। য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী লৈঙাক মতমদা এম পি গীতা মুখর্জিবু কেবিনেট মিনিষ্টর অমা পীরগে, নহাক্কী খোঙজং হন্দোক্লবা হায়রকপা মতমদা ঐহাক মিনিষ্টর ফম লৌজরোই নুপী মীয়ামগী দাবী অসি মায় পাক্ত্রি ফাওবা থেংনখিনি হায়খি। মরম কয়া অসিনা অদুঙৈ বি জে পিনা লিদ তৌখিবা গভর্ণমেন্ট লাক্লবা তুংদসু গীতাগী রিকমেন্দেসন অদু চৎনবা অমসুং পাস তৌনবা মখোয়না চপ চানা হোৎনখিদে। পুথোক্লগনি হায়বা তাঞ্জা খক্তদা মশা মশাগী পার্টিগী মনুংদা য়েৎনবশিংনা য়ানদবা ওইদুনা লৈখি। মরক অসিদা এম পি শ্রীমতি গীতা মুখর্জি মার্চকী ৪, ২০০০দা তাইবঙপান থাদোকখ্রে। মহাক্লা লৈখিদ্রবসু এন এফ আই দব্লিয়ু অমদি চুংশিন্নবা নুপীগী লূপশিংনা লেপ্তুনা খোঙজং কয়া চথুরি অমসুং পার্লিয়ামেন্ট মনুংদসু মাগী (গীতাগী) পার্টি সী পি আইগী এম পিশিংনা তক্লবা অমদি পার্লিয়ামেন্টতা চপ চানা ৱাখল তাহন্নবা হোৎনবা লেপখিদে। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৭৮

১) **“ঐখোয় নুপীগী অন্দোলন”** হায়বা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী লাইরিক্তগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো অমসুং লৌথোরক্লিবা লাইরিক্কী মমিং করিনো?

২) **“পাউখুম ফংখিদ্রবা ৱাহং”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? লাইরিক অসি মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **“থম্বালগী লৈনম”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি কনানা ইবনো?

৪) **“বরাক তম্পাক্কী মরাইবক”** হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৫) **“কাইনগী থৈবোং”**হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।